# সব–জুনিয়ার গার্লস নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে





ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ )গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৭কী টিমশিংনা গ্রুপ ৭ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২৬তগী কোদোম্পোকপি স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথরক্লিবা সব–জুনিয়ার গার্লস নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮গী ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা মথং থা নভেম্বরগী ২দা পাঙথোক্কদবা অহানবা মেটচতা মণিপুরগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা, অনিশুবা মেটচতা দিলিগা মহারাষ্ট্রগা, চান্দিগরগা বিহারগা অমদি ওরিসাগা কেরেলাগা লান্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতঅমদা বিহারনা ছতিসগরবু গোল ৩–১দা অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদনা কেরেলানা তামিল নাদুবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেটচতা ছতিসগর অমদি বিহার টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বিহারগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচ অদুগী মিনট ৪০ চৎপদা কাজল কুমারিনা গোল ১, মিনট ৮০ চৎপদা পাল্লভি কুমারিনা গোল ১ অমদি মেটচ অদুগী এদিস্নেল টাইমদা জয়তি কুমারিনা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা ছতিসগরগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ৬৭ চৎপদা প্রিয়াঙ্কা ফুতাননা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা তামিল নাদু অমদি কেরেলা টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী মিনট ৫, ১১ অমদি ৩২ চৎপদা কেরালাগী মথংসিংনা অরিয়াব, অজুসা সেরিন পি এম অমদি নন্দনা কৃষ্ণননা গোল ৩ চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা কেরলানা গোল ৩ মাংজিল থানা লৈখি। অনিশুবা হাল্ফতা তামিল নাদুগী শোখদুনা লৈরিবা গোল হন্দাক্লবা টিম অসিগী মাইকৈদগী কন্না হোৎনরবসু মদুগী ওন্না তৈনবা মেটচ অদুগী মিনট ৫৫ অমদি ৫৮ চৎপদা কেরেলাগী নন্দনা কৃষ্ণননা গোল ২ অমগা চনখিবদগী গোল ৫–০মাংজিল থানা লৈখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা তামিল নাদুনা কন্না হোৎনবদগী মেটচ অদুগী মিনট ৭৬ চৎপদা টিম ধিভিয়া কেনা গোল ১ হন্দোকপা ঙম্লবসু মেটচ অদু কেরলানা গোল ৫–১দা থোইখি।

# ২শুবা এসিয়ান কোম্বেট গেম ২০১৭দা ইন্দিয়ানা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ থা অসিগী হৌখিবা ২৬তগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টদিয়ম গুৱাহাটিদা মার্সিয়েল আর্টস এসোসিয়েন এসিয়া অমসুং স্কুল গেমস এসোসিয়েসন ইন্দিয়া অনিনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ২শুবা এসিয়ান কোম্বেট গেমস ২০১৭ ঙরাং লোয়শিনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা কুং–ফু, করাটি, টাইক্বোন্দো, জুদো, জীৎকুন্দো অমদি ৱুসু মশান্না কয়াদা এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াখি। মার্সিয়েল আর্টসকী মশান্নশিংদা ইন্দিয়াগী টিমনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না গোল্ড মেদল ফংবা লৈবাক ওইদুনা টিম চেম্পিয়নগী মিংথোল লৌখি। টুর্নামেন্ট অসি এসিয়ান স্কুল গেমস ফেদেরেসনগী প্রসিদেন্ট য়োং চোংসু মশামকলাক্তুনা য়েংশিনখি। ঙরাং টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱার্ল্ড স্কুল গেমস ফেদেরেসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডাঃ সান্তিকুমার খোইস্নামনা ৪শুবা ৱার্ল্ড ফ্রেন্দসিপ কোম্বেট গেমস ২০১৮সু কাসাতাইয়া য়ুনিভর্সিটি ইন্দোর ষ্টদিয়ম পাথুম থাইলেন্দা মথং চহিগী জুনদা পাঙথোক্লগনি হায়নসু লাওথোকখি।

টুর্নামেন্ট অদু চথরিঙৈদা স্কুল গেমস এসোসিয়েসন ইন্দিয়ানা চহি খুদিংগী ওক্তোবর ২৯দা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধিগী দের্থ অনিভর্সেরিগা মরি লৈননা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ইন্দিয়াগী মীওই ২০দা পীবা ইন্দিরা গান্ধি নেস্লেল এক্সিলেন্স এৱার্দ ২০১৭সু য়েন্থোকখি।

মদুগী মনুংদা এক্সিলেন্স ৱার্ক ইন স্পোর্টস দিভপলমেন্টদা এৱার্দ ফংখ্রবশিং অদুদি সাইক্লিংদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবা অসামদগী দিহিংগিয়া, কুং–ফু এন্দ কিক বোক্সিং ইন্দিয়াগী ফাউন্দর ওইরিবা মণিপুরদগী সিফু থোকচোম নেরেন্দ্রাদা পিখি। এক্সিলেন্স ৱার্ক ইন কম্যুনেল হারমোনিগী এৱার্দ ফংখ্রবশিংনা মণিপুরগী উখ্রুলদগী সোসিয়েল ৱার্কর তুইথিং এ সিমরে, অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ব্লেক বেল্ট ৪শুবা দান ডাঃ হুইদ্রোম রোমেননি হায়রি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাবাদ্দি (মেন) অমসুং সেপাক তাক্রৌ (মেন এন্দ ৱুমেন) টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ চহি অসিগী নভেম্বরগী তাং ১২দগী ১৬ ফাওবা বিহারগী এল এন মিথিলা য়ুনিভর্সিটি দরভঙ্গাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কাবাদ্দি (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাবাদ্দি (মেন) টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোশিং অদুদি– থৌবাল কলেজদগী কে সনাতোম্বা সিংহ, এস চিংলেন সিংহ, ও সুসিলকুমার, এম রঞ্জু সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এন লৈশেম্বা সিংহ, টি ঐচ দি ওবাদিএ চিরু, দি এম সি (সাইন্স) দগী ও সত্যাজিৎ সিংহ, এন হেমলেট সিংহ, দি এম সি (আর্টস)দগী পি রাজেস সিংহ, মণিপুর কলেজদগী লক্ষমি নাওরেম, ময়াই লম্বী কলেজদগী এল মালেমঙান্বা মৈতৈ, দব্লিউ দয়ানন্দা সিংহ নি।

রিজর্ব প্লেয়রদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী বোরিস সিংহ কে ঐচ, মণিপুর কলেজদগী মহেসকুমার নাওরেম, থৌবাল কলেজদগী এল রোমেস সিংহ নি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা চহি অসিগী নভেম্বর ২দা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সি ঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা মথং চহিগী ফেব্রুৱারিগী তাং ২৫দগী ২৭ফাওবা ওস্মানিয়া য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সেপাক–তাক্রৌ (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেপাক তাক্রৌ (মেন এন্দ ৱুমেন) টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে।

খল্লবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি দি এম সি (সাইন্স) দগী কেনসন মোইরাংথেম, পোল ষ্টার কলেজদগী ই রিসিকন্তা সিংহ, বি এম কলেজদগী ই বিকাস সিংহ, এস সঞ্জয় সিংহ, কে এম সি কলেজদগী ই বিকাস সিংহ, লিবরেল কলেজদগী হেপ্পিসন টি, মণিপুর কলেজদগী জোন্সন অচোম অমদি পোল ষ্টার কলেজদগী পি সুরচন্দ্র মৈতৈ নি।

নুপামচাগী রিজর্ব প্লেয়রদা দি এম সি (সাইন্স) দগী কুবের থোঙাম অমদি এল অনিন্দ্রো নি।

খল্লবা নুপীমচাগী শান্নরোইশিং দি কে কে সি কলেজদগী এম সধ্যারানি দেবী, পোল ষ্টার কলেজদগী ই কমলা দেবী, কে কে সি কলেজদগী ই ওলিভিয়া দেবী, সিলপা ইলাংবম অমদি দি এম সি (সাইন্স) দগী চেংখোম্লৈমা হুইদ্রোম নি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা চহি অসিগী নভেম্বর ৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সি ঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# অনীশুবা এসিয়ান কোম্বেট গেমসতা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা মেসি অমদি পুর্নাচন্দ্রবু তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এসিয়ান কোম্বেট গেমস ২০১৭দা শরুক য়ারুবা লাইশ্রম মেসিনা গোল্ড মেডল ২ লৌরক্লে।

লাইশ্রম মেসি নিংথৌখোম ৱার্দ নম্বর ১৩গী কাউন্সিলর অমদি মীয়াম্না ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

মেসি নিংথৌখোং আই টি রোদতগী এল মনিচন্দ্র অমসুং উশারানিগী মচানুপানি। কুং–ফু অমদি তাইক্বান্দো মশান্নদা গোল্ড মেডল অমমম লৌরকখিবনি। মহাকপু ইম্ফাল টুলিহল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী ওক্তুনা পুরক্লগা নিংথৌখোঙদা পাংথোকপা থৌরম অমদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

অমরোমদা তাইক্বান্দো মশান্নদা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা কোন্সম পুর্নাচন্দ্র সিংহ লৈখিদ্রবা কে নন্দেশ্বর অমদি ইনাওগী মচানুপা লৈমাপোকপম মখা লৈকায়নি। অনীশুবা কোম্বেট গেম অসিমক্তদা সব–জুনিয়র কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা প্লেয়রশিংবুসু ৱাই এস দব্লিউ সি লৈমপোকপম মখাগী থৌমীশিংনা ইম্ফাল টুলিহল এয়রপোর্টসতগী ওক্তুনা পুরক্লগা লৈমাপোকপম মখা কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকপা ওকপগী থৌরমদা খুদোপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

# কিক–বোক্সিং শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা গুৱাহতিগী নেহরু ষ্টদিয়মদা পাঙথোকখিবা ২শুবা এসিয়ান কোম্বেট গেমসকী কিক বোক্সিং মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোই ১১ ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

ইম্ফালদা থুংলখ্রবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মাইকৈগী ওইনা শরুক য়ারুবা কেজি ৪৮ কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ককচিংতাবম বোবোচা, কেজি ৬৪গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ৱাইখোম প্রসান্তা, কেজি ৫১গী কাংলুপ্তা গোল্ড লৌরকখ্রবা এ হরিদাস, কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা গোল্ড লৌরকখ্রবা এম নিরিসা, কাংলুপ অসিমক্তদা গোল্ড লৌরকখ্রবী এম সুননতা শান্নরোই ৫ অসিবু সোসিয়েল রিফোর্মেসন উনিয়ন (সারু) থৌবালনা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

# জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর দব্লিউ টি এ ইলিট ত্রোফিদা মায়থিখ্রে

ঝুহায়, ওক্তোবর ৩১ঃ চাইনাগী সিটি ঝুহায়দা চথরিবা দব্লিউ টি এ ইলিট ত্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱার্ন ওইরম্লবী এঞ্জেলিক কর্বর অহানবা রাউন্দা মায়থিখ্রে।

কর্বর অহানবা রাউন্দ অদুদা রুসিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া পব্লিয়ুচেনকোবাগী মখুৎতা ৩–৬, ৬–৩, ২–৬তা মায়থিবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু এস এ গী শান্নরোই কোকো বন্দিৱেগীনা চাইনাগী শান্নরোই বেংসাইবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি সিঙ্গাপুরদা লোইশিনখিবা দব্লিউ টি এ ফাইনেলদা মখাতাবা শান্নরোই ১২না শরুক য়ারকপনি।




# ফিদে ত্রেনর্স অমসুং ফিদে অর্বিতস সেমিনর য়াওনিংবশিং এপ্লাই তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ চহি অসিগী দিসেম্বর ১৪দগী ১৭ ফাওবা গুৱাহাটিদা ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিদে ত্রেনর্স সেমিনর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অমসুং অন্দমানগী চেছ হেন্না ফগৎনবগীদমক মফম অসিমক্তা দিসেম্বর ২৭তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিদে অর্বিতস সেমিনর অসিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিং এদহোগ কম্মিটি, চেছ মণিপুরদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না কম্মিটি অসিগী চিয়রমেননা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অমদি অন্দমান অমসুং নিকোভর আইলেন্দগী চেছ এসোসিয়েসনশিংনা ফিদে ত্রেনর্সগীদমক মীওই মরি অমসুং ফিদে অর্বিতর্সকী মীওই অহুম হায়রিবা সেমিনরশিং অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

সেমিনর অসি ফিদে ত্রেনর্সকী ওইনা মীওই ৪০গী ওইবা সেমিনর ওইগনি। লোয়ননা ফিদে অর্বিতর্সকী ওইনদি মীওই ৩০না পুং ওইগনি। হায়রিবা সেমিনরশিং অসি শেল তিংদনা ষ্টেট এসোসিয়েসনশিংনা খনগৎলবা মেম্বরশিংনা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়রি।

মণিপুরগী ওইনা সেমিনর অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা নভেম্বর থাগী ১০ ফাওবগী মনুংদা এদ–হোগ কম্মিটি, চেছ মণিপুরগী মেম্বরশিংদা মখাতাবা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# এস এল নরায়ন অমসুং ললিথ বাবু নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মাংজিল থামিন্নরি

পটনা, ওক্তোবর ৩১ঃ বিহরগী কোনুং পটনাদা পাঙথোক্লিবা খাদি ইন্দিয়া নেসনেল চেছ চেম্পিন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা এস এল নরায়ন অমসুং এম আর ললিথ বাবু পোইন্ট ৩ ফঙমিন্নরগা শান্নরোই ১৪গী লম্বা অদুদা মাংজিল থাদুনা চৎলি।



এস এল নরায়ননা ঙসি অর্ঘিয়াদিপ দাসকা শান্নবদা অমুবা মচু পায়দুনা লম্বা তৌরকপদা খোঙফম খরা শোনখরবসু গেম অদু মখা চথরকপদা মপাঙ্গল ফগৎলক্তুনা পোন অমা মহাক্না দাসতগী হেন্দুনা খুদোংচাবা ফঙখি।

খুদোংচাবা অদু ৬৮শুবা মুভতা নরায়ননা মায় পাকপগী খোঙফম অদু য়ৌবা ঙমদনা মরিশুবা রাউন্দ অদু থোইরগা পোইন্ট ৩ ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী গেম অমদা এম আর ললিথ বাবুনা দেবাসিস দাসকা লম্বা তৌনখি।

গেম অদু নিমজো ইন্দিয়ানগী রুবিষ্টেন ভেরিএসনদা পুরক্তুনা শান্নরোই অনীগী লম্বা য়াম্না ফজরকখি।

গেম অদুগী ২৯শুবা মুভতা য়াম্না থাজদবা মওংদা গেম অদু লোইশিনখিবনি। নাকল অনীমক্তগী হেঞ্জিলকপা ঙমদনা কনানা খুদোংচাবা ফঙগনি হায়বগী পাবা য়াদবা ফিভমদা লৈনখি।

দেবাসিসনা মহাক্কী খুলায় অনী লেম্না পীথোক্তুনা অতোপ্পা মায়কৈদা মপাঙ্গল পুথোক্নবা হোৎনখি।

গেম অদু দ্রো চৎপা য়াবগী চাওনা তাঞ্জা লৈখ্রবসু দেবাসিসনা অশোইবা খোঙথাং অমগা চৎলুবনা মরম ওইদুনা ললিথ বাবুগী ফিভম ফজহনখি।

গেম অদুগী লোইশিল্লকপদা দেবাসিস খুলায় অমা শোৎথরগা ললিথ বাবুগা লম্বা তৌরকপদা ফুগৎপা ঙমদবদগী মাইথিবা নঙখি। মায় পাক্লবা ললিথ বাবু অমদি এস এল নরায়ন মরিশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা পোইন্ট ৩।৩ ফঙলগা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী মকোক থোংমিন্নরি।

পোইন্ট ২.৫ ফঙদুনা লৈরিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি এম কার্থিকেয়েন অমসুং অরাবিন চিন্থবরমনি।

এম কার্থিকেয়েননা ঙসি দিপন চক্রবার্টিবু মুভ ৪১ দা মায়থিবা পীখি। অদুব অরাবিন চিন্থবরমনা অভিজিৎ কুন্তেগা শান্নবদা মুভ ৪০দা দ্রো চৎখি।

ঙসি মায় পাকখিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী মনুংদা পোইন্ট অনী ফঙলিবা আর আর লক্ষমন অমসুং স্বপনিল ধোপাদে য়াওরি।

লক্ষমননা সিতেবু মুভ ৫৮দা থোইখি অদুগা ধোপাটেনা নিখিল মুভ ৫৭তা মায়থিবা পীখি।

# এ এফ সি ‘সি’ সার্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩১ঃ চহি অসিগী নভেম্বর ২০দগী দিসেম্বর ২ ফাওবা কর্নাকাদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শীন্দুনা এ এফ সি ‘সি’ সার্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা এ এফ সি ‘সি’ সার্টিফিকেট কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা কোচশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা http://coaching.the-aiff.com দা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নাকল অমরোমদা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমত্তনা রেফরিগী সর্ট, সোর্ট অমসুং সোকতা কম্মর্সিএল এদভরটাইজমেন্ট তৌবা য়ারোই হায়রি।

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*